# ঐখোয় ৱাখল লায়নাগী ইপিদেমিক অমা মায়োক্নরব্রা?

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —

সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট

dr.smanikanta@gmail.com



মীওইবা ঐখোয় নুংঙাই-য়াইফবা, অনা-অয়েক য়াওদনা, অৱাৎ-অপা লৈতনা, পূন্সি নুংশাংনা, নুংশি-চান্ননা, ঈংনা-চিক্না পানবা হায়বসি পুন্নমক্কী অপাম্বনি। মসি পুন্নমক অসি হেক্তমক ওইথোকপা য়াবদি নত্তে। ঐখোয়গী পূন্সিদা মমা পুক্নুংদা হেক মিতন্বদগী পূন্সিগী অরোইবা মিহুল, শ্বর অদু ফাওবদা মখল মখা কয়াগী শীংনবা অমসুং খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকই। মরম অসিনা নুংঙাই-য়াইফবা পূন্সি অমা ওইগে হায়রবদি ঐখোয়গী পূন্সিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মায় পাক্না থেংনবা তাই। মায় পাকপা হায়বসি ঐ খক্কীদা নত্তনা মীয়ামগী য়াইফবসু ওইগদবনি। মতিং লৈনা হিংবগী মহাও য়াওনা হিংনবা হোৎনবদা মাগী-মাগী ওইবা ৱাখল্লোন্না মাঙওইনখিবনা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় পুন্নমক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। মরম অসিনা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা লায়না-লাইওং কয়া থেংনবা য়াই। থবক থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদা মখল মখা কয়াগী ষ্ট্রেশ মায়োক্নে। মসি পূক্নিং লাংতক্নবা, ৱাখল ৱাবা, তূন্বা-চাবা য়াদবা, খোয়শাওনবা, পূক্নিং চংদবা কয়া অসি ওইবসু য়াই। পুন্নমক অসি মায় পাক্না থেংনবা ঙম্নবা ঐখোয় মেন্টেল হেল্থ ফনা লৈবা য়াম্নমক মরু ওই।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা মীওই মিলিয়ন ১ হেনবনা ৱাখল লায়না মায়োক্নরি। করি অমুক হায়গনি মীওই ২গী মনুংদা ১দি মাগী পূন্সি খোঙচৎতা অমুক্তি শোয়দনা ৱাখল লায়না নাবা থেংনগনি। ৱাখল লায়নাশিংগী মনুংদা এঞ্জাইটি, দিপ্রেশন লায়না অসিনা মীওই অমগী পূন্সিদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি। চহী ১০-১৯ ফাওবদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিং অসিগী অপূনবগী চাদা ১৫দি ৱাখল লায়না নাবা থেংনৈ। ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই ৭ লৈবদা মীওই ১দি ৱাখল লায়না নাই। ৱাখল লায়না নাবগী চাং অসি কোভিদ লাইচৎ মনুং অমসুং মতুংদা শরুক অহুম হেনগৎলি। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা চহী অহুম ফাগদৌরবা ঈরাং অসিনা পীরিবা পূক্নিং ৱাখলগী চৈনা অসি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। ঈরাং অসিদা মীওই ৩০০ হেনবনা পূন্সি লোমখ্রে। মীওই কয়া মীওৎ-মীনৈ নংখ্রে । নুপী কয়া মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে। ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকখ্রে । লন-থুম কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। শা-ষণ কয়া হাৎতোকপীখ্রে। মীওই ৬০,০০০ হেনবনা ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরি। রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মমা-মপা, মচিন-মনাও, মচে-মচন পুন্না লৈমিন্নবা ফংদ্রে। থৱায় হিংনবা চেনবদা কয়া অমা লমখাংদা শিহৌরে। হৌজিকসু মীওই কয়া অমা রিলিফ কেম্পতা মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিংগী চাদা ৮০দি লায়েংদনা মথন্তা মরন্নাই থম্মোয়নুংদা মৈচাক খাঙদুনা হিংলি।

করিগীদমক্তা ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিংনা লায়েংনবা হোৎনবগী মহুৎ মথন্তা ৱাখলগী চৈনা খাঙদুনা পূন্সি হিংনবা হোৎনরিবনো? মসিগী মরুমদা মরম কয়ামরুম লৈবা য়াই। মরু ওইবা মরম খরদি - খুন্নাইগী মিনোক-মৈশা, লান্না খনবা, ইন্থোকপীবা, লক্নবা, উশিৎ থৌওইদবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অসিগুম্বা কয়া অসিনা ৱাখলগী চৈনা অদু মথন্তা খাঙদুনা পূন্সি লেল্লি। খুন্নাইগী চৎনবী, ৱাখল্লোন, মীবু ইকায়খুম্নবা, য়েংলিবা মিৎয়েং তোঙান তোঙাল্লি। খুদম ওইনা নুপাদা য়েংলিবা মীৎয়েং, নুপীদা থল্লিবা ৱাখল খেন্নগনি। নুপামচা অমনা মথ্বায় ৱাবা, অৱা পোৎলূম পুদুনা চৈনা খাঙদুনা ৱাখল শোন্থবা মতমদা 'নুপা মান্দেদা' হায়দুনা করেম্নবসু য়াওই। মীনোক অসি কিবদগী নুপাশিং মখোয়গী অনাবা, নুংঙাইতবা অদু হায়দোক্তে। মদোম খাঙজিন্দুনা থম্মী। নুপীদসুনি। নুপী হায়বসিদি অখাঙ কনবীনি। মৱা-মপুরোইবা, অহল-লমন, মচা-মশু থৌগল তৌগদবনি। নুপামচাগা মান্নবা য়াদে হায়দুনা নুপামচাশিংদা খুদোংচাবা পীবা মতমদা মখোয়গী নুংঙাইতবা কয়া অদু ফোঙদোকপা ঙমদবদগী লোৎশিন্দুনা থম্মী। ৱাখল লায়নাগী মরু ওইবা লাইওং তূন্বা য়াদবা, চানীংবা ফাওদবা, চোকথবা, হুমাং কাংবা, কোক ঙাওবা, কোক চিকপা, হকচাং থিন্দোকপা, হৈনীংদবা, শাওনীংবা, মথন্তা লৈনীংবা কয়া অসি মীওইবগী হৌনশানি হায়দুনা লৈথোকপসু য়াওই। করিগুম্বা ৱাখল লায়নাগী লাইওং অদু অখঙ অহে তান্ননীংলবসু লায়েংনবা শেল লৈতবদগী লায়েংদবা কয়াসুনি। তঙাইফদনা লায়েংলবসু পুশিল্লুবা শেনফম অদুনা হেন্না হেন্না লায়রবা হায়বদু ওইরকই। শেল লৈরবসু লায়েংফম মতিক চানা লৈতবা অমসুং অখঙ অহে মশীং য়ামদবনা তান্নফম খঙদবদগী লায়েংদবসু কোঙ্গাইনি।

ঐখোয় অয়াম্বনা ৱাখল লায়নাগী মরমদা খঙবা ৱাৎলি। ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিংনা তূমিন্না উংদুনা লৈবা নৎত্রগা লৈতাফম খঙদনা খাঙলিবা চৈনা, অৱা পোৎলূম, মখোয়দা ফাওরিবা মৈচাক অদু খন্থরুবা তৌদে। অদুবু কনাগুম্বা মীওই অমনা শরু তেক্তুনা নৎত্রগা শোক্তুনা ঈ থোকপা মতমদা চৈনা খাঙবা ঙমদদুনা কপ লাওদুনা, নাহেদুনা লৈবা মতমদা মীনুংশি পোকই। মীওই অদুনা ফাওরিবা চৈনা অদু ফাওবা ঙম্মী। মরম অসিনা মতেং পাংনবা হোৎনৈ। অমরোমদা ঙাওনা-ফৈনা নাবা মীওই অমনা নিংথমথাগী ঈংখ্রবা মতমদা নিক্তুনা লৈবা মতমদা মীওই অদুনা ফাওরমগদবা অৱাবা অদু খল্লুদে। মহাকসু ঐখোয়গুম অঙ্গীং-অশা, অরাম-খৌরাংবা ফাওবা মীওই অমগুম লোয়নবীদে। ৱাখল লায়না দিপ্রেশন নারবা মীওই অমা তূন্বা, চাবা য়াদবা, থবক্তা পূক্নিং চঙদবা, মী অতৈগা মান্ননা থবক শুবা ঙমদবা, মথন্তা নাইতোম লৈবা মতমদনা থবক শুনীংদবা মীওই অমগুম উবী। মহাক্কী অৱাবা অদু খঙনবা হোৎনদে। মখোয়গীদমক ঐখোয়গী থম্মোয়, ৱাখল পুমহাঙ হাঙনা লৈবগুম তৌই। মরম অসিনা ৱাখল লায়নাগী মরমদা ময়াম খঙমিন্নদুনা ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিংনা ফাওরিবা চৈনা অদু খঙবীবা চুমগনি।

অসুম তৌনা মীওই কয়া অৱা-পোৎলূম অদু ফোঙদোকপা ঙমদনা মশা মথন্তা ৱাখল লায়নাগী চৈনা লোৎশিন্দুনা পূন্সি লেনবসু মশীং খঙদনা লৈরি। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মীপূম খুদিংমক ৱাখল লায়নাগী পোৎলূম পুদুনা হিংনবা হোৎনরি। অঙাং, নহা, অহল, নুপা, নুপী, লায়র-ইনাকখুনবা, অরাপ্পা-অনকপা হায়বা লৈতনা খুন্নাইগী মীওই খুদিংমক ৱাখল লায়না মায়োক্নদুনা পূন্সি লেল্লি। খ্বাইদগী হেন্না ৱাখল লায়নাগী পোৎলূম মায়োক্নদুনা হিংলিবা মীওই কাঙলূপশিং অদুদি অঙাং ইনখৎলক্লিবা অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিং অসিনি। ঈরাং অসিনা অঙাং কয়া মমা-মপাগী থৌজাল ফংবা ঙমদবদগী ককঙাওনবা হায়বদু ওইরে। পূন্সি হায়বসি অমম্বা ঙাক্তা ঙাইখ্রে। অসিগুম্বা অঙাংশিং অসি ইমোশন ফজনা রেগ্যুলেট তৌবা ঙমদবা মরম্না মখল-মখা কয়াগী পামদবা থৌওং, লমচৎ-শাজৎ কয়া লোয়নরকই। লমহেনবা অঙাং ওইবসু য়াওদবা নত্তে। চাউরক্লবা মতমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী মরম অমসু ওইরকই। চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং মপাঙ্গল শোন্থরকপা, শেন্থোক হন্থরকপা, ৱাখল লৌশিং ৱাৎলকপা, মমিৎ-মনা উবা, তাবা ঙল্লক্তবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মচা-মশুগী থৌজাল মখাদা হিংবনা অয়াম্বনি। অদুবু ঙসিদি মখোয়বু য়েংশিনবা ৱাৎপদগী ৱাখল লায়নাগী চৈনা, পোৎলূম অদু খাঙবা ঙমদবদগী মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিজরি।

মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু ফহন্নীংবদগী লাইরিক লাইশু তম্বদা থৱায় য়াওশিনবা ঐখোয়না তোয়না থেংনরি। লাইরিক লাইশু হৈবা হায়বসিনা তুংদা অফবা মী অমা ওইনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইনা খল্লি। স্কুলগী পুবা থাংবা ঙমদ্রবা পোৎলূম অদুগী মথক্তা প্রাইভেট ট্যুশন অমুক তৌহল্লি। পোত্থানবা মতম লৈতে। শান্নবা, মমান্নবা তিন্নবগী তাঞ্জা ফংদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মহৈরোয়শিং হায়ফম তৌফম খঙদবা ৱাখল লায়নাগী লাইওং কয়া মায়োক্নরকই। চোকথবা, চানীংবা ফাওদবা, তূন্বা মপূং ফাদবা, ফিজিকেল এক্টিভিটি ৱাৎপা, লাইরিক পাগনি, ট্যুশন চৎকনি খনবদা অতনবা হৈনীংদবা ফাওবা, লাইরিক্তা পূক্নিং চঙদবা, মথন্তা লৈনীংবা কয়া উবা ফংগনি। লমচৎতা হান্নগা মান্নদবা অহোংবা কয়া লোয়নরকই। ইম্পলসিভ ওইবা থৌওং কয়া চথরকই। নোংমা নোংমগী তৌগদবা মথৌদা পূক্নিং চঙবা ৱাৎপা অমসুং মপূং ফানা ষ্টদি তৌবা ঙমদবনা একাদেমিক পর্ফোর্মেন্স অসুম অসুম হন্থরকই। মরু ওইনা ক্লাস ষ্ট্রেলভ এগজামদা নীংবা কায়বা থোকই। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা মহৈরোয় কয়া মশা মথন্তা শিবগী মরম অমা ওইরি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসি কৈদৌঙৈ লোইগনি। করম্বা মতমদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্কনি কনানসু হায়বা ঙমদে। ময়ূম মকৈ লৈতবা, শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা, শেন্থোক লৈতবা, লাইরিক-লাইশু মপূং ফানা তম্বা ফংদবা, তুংগী পূন্সি উবা ঙমদ্রবা, য়েংলু য়েংলুবদা ৱাখল লৈতাফম খঙদবা, খোয়শাওনরবা ঙসিগী পূন্সি মহিং অসিদা ঐখোয় পুন্নমক অঙাং, অহল, নহা, লায়র-ইনাকখুনবা, নুপা-নুপী অমদি লৈফমগী খেন্নবা লৈতনা ৱাখল লায়নাগী চৈথেং ফংদবা য়াওদ্রে। ঐখোয় পুন্নমক তৌফম খঙদনা ইশা ইথন্তা থম্মোয়নুংদা ৱাখল লায়নাগী চৈথেং মায়োক্নদুনা হিংলি। তশেংনমক ঐখোয় ৱাখল লায়নাগী ইপিদেমিক অমা মায়োক্নদুনা লৈরে। মসিগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা মতম ওইরে। লৈঙাক্নসু হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ●

# মণিপুরগী শক্তম অমসুং ঙমখৈগী মতাংদা ইরাবত-২

- এল সোতিনকুমার -

**(অনৌবা যুগ মে ৪, ১৯৪৭, ৪৩ শুবা মশিং)**

মথক্কী ৱারেপ অনি অসিগী মথক্তা অনৌবা যুগ চেফোঙগী ওগষ্ট ১২,১৯৪৭কী মশিংদা ওগষ্ট ২৪দগী মণিপুরগী অনৌবা জীবনগী অহৌবা ওইসনু হায়না মীংথোনবা জননেতা ইরাবতনা সভাপতি ওইনা বিজয় অমদি ইবোতোম্বী জোইন্ট সেক্রেটরী অনিনা খূৎয়েক পীবা প্রজা সংঘগী ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোক্লি।

ওগষ্ট ১৫ অসি মপুরগীসু অনৌবা যুগকী অহৌবা ওইগদৌরি। মণিপুরগী খুন্নাইগা মীয়ামগা নক্নবা মরী লৈনবা লৈপাক্না পানবা, লৈঙাক শেম্বগী মতাং অমগী অহৌবা ওইগদৌরি হায়রি। নুমীৎ অসিদা মণিপুরগী প্রটিষ্টান খিবিক্না ইন্দিয়াগী ফিরাল হাইগৎকদৌরি। অমরোমদা শ্রীযুক্ত মণিপুরশ্বর মহারাজসু মণিপুরগী ফিরাল হাইগৎকনি হায়না তারি। মসি তাবসিদা মণিপুরসু হায়দরবাদ ষ্টেটতৌনা স্বাধিনতাগী ঘোষনা তৌগদৌরমানে, নহানমখৈ ইন্দিয়াদা মণিপুর প্রজানা য়াম্না চিংনরে। অসি ওইরবদি ইন্দিয়াগী স্বাধিনতাগীদমক মণিপুর প্রজানা নুংঙাইনবগী করিগুম্বা অর্থ লৈতে। প্রজানা নুংঙাইবা হরাওনা উৎলরোই নিংথৌতগী হরাওবা নুংঙাইবা উৎপনি।

বৃটিশনা নিংথৌশিংবু পেলহনবগী অর্থদি ইন্দিয়াগী শরুক অমবু নিংথৌগী মনিং তম্না ওৎপা নৈবগী মখাদা লৈহনগনি। ইন্দিয়াগী মথক্তা খুৎলায় থাবনি। মসি ইন্দিয়া অমসুং নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী প্রজানা করিগুম্বদা য়ারোই। ওগষ্ট ১৫সিদা ঐখোয়না দাবী তৌরি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনবা।

গনতন্ত্র চৎপা লৈঙাক ওইবা লৈপাক্না খনবা মীনা আইন সভা মদুদগী মন্ত্রি সভা শেম্বা।

লৈপাক্না খনবা মীনা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট শেম্বা।

লৌ ইঙ্খোলগী খাজনা হন্থবা।

গ্রাম স্বায়ত্ব শাসন অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগী থবক থুনা হৌবা।

স্কুল মহৈরোয়শিংগী ফী হন্থবা।

কম্পলসরি প্রাইমরি এদ্যুকেসন পীবা।

মণিপুরনা মপানগী মী (বিদেশী) চংবদা হুকুম লৌবা তোকপা অসিনচিংবা দাবীগা লোয়ননা অচেৎপা ৱাশক লৌদুনা মণিপুর প্রজা সংঘনা অতৈ রাজনৈতিক দলশিংগা খুৎশন্নদুনা জাতিগী অন্দোলন্দা চৎনবা কৌগনি। প্রজা সংঘনা মণিপুরগী চীং তম প্রজা নুংশিননা লৈনবা শক্তি অপুন্বা শিজিন্নগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ৱারেপ অসি- ১. (ক) নি. ম. মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল শুপ্পা ফম্বা ৱারেপ ৬ শুবগী (ক)

২. অনৌবা যুগ চেফোঙগী ওগষ্ট ১২, ১৯৪৭কী মশিংদা ফোঙখিবা ওগষ্ট ১৫ দগী মণিপুরগী অনৌবা জিবনগী অহৌবা ওইসনু হায়না মীংথোনবা জননেতা ইরাবত, বিজয় অমসুং ইবোতোম্বী মখোয় অহুম্না সহি তৌবা প্রজা সংঘগী ৱারোল অসি য়েংলগা ঐখোয় ময়েক শেংনা খঙলে মদুদি ইরাবতনা পাল্লম্বদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা য়াওদুনা অতোপ্পা রাজ্যশিংগা তিন্নদুনা শিক্ষা, অর্থনিতি সংস্কৃতি অসিনচিংবগী লমদা চাওখৎনবা হোৎনবনি।

ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা মণিপুরগী রাজনিতিগী শক্তম করি ওইগদগে হায়বগী মতাংদদি-

১. নি.ম. মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল শুপ্পা ফম্বা সভাগী ৱারেপ ৬ শুবগী (খ)

২. দিসেম্বর ৮, ১৯৪৪দা জননেতা ইরাবতনা প্রস্তাব তৌদুনা কাছার জিলা কৃষক সভানা দাবী তৌখিবা "মানা প্রদেশ অমদা তিনবা অমসুং তোপ্পা লৈজবগীদি গনতন্ত্রগী কাঙলোন মতুং ইন্না থম্বীয়ু।"

ৱারেপশিং অসিগী মতুংইন্নদি জননেতাগী ফিরেপ অসি ময়েক শেংফাত্তনা থম্মী। মণিপুরনা স্বাধিন মণিপুর রাজ্য ওইনা লৈগনি হায়রবসু তোপ্পা লৈগদ্রা নৎত্রগা করম্বা প্রদেশতা তিনগদগে হায়বদুদি লৈপাক্না পাম্বা (গনভোৎনা) লেপ্পা মতুংইন্না থম্বীয়ু হায়বসিনা জননেতাগী ফিরেপ অসি ময়েক খরা শেংফাত্তে। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈগনি হায়বসিদি ময়েক শেংলে। কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বরদদি ময়েক শেংলমদবা ফিরেপ অসি পুরা শেংলে। আই এন সীগী সী দল্লিয়ু সীনা ত্রিপুরা, লুসাই পহার, কাছার জিলা অমসুং মণিপুর পুল্লগা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নবা তাখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বর ২১দা এম দি য়ুদা প্রতিবাদ সভা শিন্দুনা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশকী মায়োক্তা লেপখ্রে অমসুং মশাগী তোপ তোপ্পা লোল, সংস্কৃতি, ইতিহাস লৈজরবা মণিপুরবু অতোপ্পা রাজ্যশিংগা থাক মান্ননা তোপ তোপ্পা রাজনীতিগী শক্তম লৈহনগদবনি হায়না দাবী তৌখ্রে।

অসুম্না মণিপুরগী রাজনিতিগী শক্তম অমা য়েক্লনবা কন্না হোৎনজরিবা তাঙ্কক অসিদনি নাগা নেসনল কাউন্সিলনা ইন্দিয়াদগী তোখায়না তানবা অলটিমেটম পীশিন্দুনা চীংলৈবাক্তা রাজনিতিগী সমস্যা অমা থোকখি অমসুং মণিপুরগী লম মাও, তাংখী লমবু নাগা হিলগী মনুং চলহনগদবনি হায়না দাবী তৌশিল্লক্তুনা মণিপুরগী লমখৈগী মতাংদা অকিবা পোকহনবা হৌখ্রে। মতাং অসিদা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী ইহৌগী মতাংদা জননেতা ইরাবতনা "অনৌবা যুগ" চেফোংগী নবেম্বর ৩০, ১৯৪৭কী মশিংদা য়াওরিবা "কহিমা নাগা কাউন্সিলগী চরমপত্র অমসুং মণিপুরগী দায়িত্বশীল শাসন" হায়বা আপিল অসিদা জননেতা ইরাবতনা হায়রি, "অবস্থা অসিনা নাগা জাতিগী কাউন্সিলনা পীখিবা চরমপত্র অরেম্বনি হায়না থৌওইদবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়না নেহরু লৈঙাক অমসুং অসাম লৈঙাক্না নাগা হিলগী ৱাফমদা থুনা খুৎ থিং জিনবীয়ু মসিগী মরমদা ওপোজ আলোচনা তৌবীয়ু। থবক অসিদা মপুং ওইনা পায়বিরগা বিভেদকারী সম্রাজ্যবাদিগী চক্রি অরেম্বা তাহনবীয়ু, স্বধিন ভারত্তা চীং তম পুনবা অপুনবা অনৌবা মণিপুর শেম্বীয়ু।"

অসিগুম্বা মণিপুরগী চীংগী লমদা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী ঈহৌনা মরম ওইদুনা থোহল্লক্কদবা ঈরাং অদু থিংনবগীদমক শ্রীযুৎ মহারাজদা দায়িত্বশিল শাসন পীবীয়ু হায়না দাবী তৌখি। ইরাবতকী ৱাহৈদা "দায়িত্বশীল শাসনগী দাবী অসি মীওই খরদগী দাবী নত্তে মণিপুরগী চীং তম অপুন্বগী দাবীনি। চীংগী দাবী হিলস য়ুনিয়ন্না তৌখিবা মণিপুরগী দায়িত্বশীল শাসন পীবীয়ু অদুগী মনুংদা মণিপুরগী চীংলৈপাক্কী শাসন তমদগী তোপহনবীয়ু হায়বসি তবীয়ু।"

অহুমশুবাদা জননেতা ইরাবত মণিপুরগী চীংলৈবাক্কী লুচিংবা অমসুং প্রতিনিধিশিং থুনা কৌদুনা চীং তম অনিগী অপুনবা সভা অমা কৌবীদুনা মণিপুরগী ওইরকপা য়াবা খুদোং থিবদগী কন্নবা মণিপুরগী মহারাজদা তকশিল্লি। চীং তমগী মীওই পুন্নমকপু অমত্তা ওইনা পুল্লগা অফ-ফত্ত ভাগ্য শেমদুনা মীশিং য়াম্বা অমসুং য়ামদবা জাৎ খুদিংনা মাগী মাগী শরুক ফংফম থোকপা ফংদুনা ৱাত্ত পাদবা নুংঙাইবনা থনবা মনিংতম্না পানবা মণিপুর সনা লৈপাক শেমগদবনি হায়না আপিল তৌই। পুর্ণদায়ত্বশীল শাসনগী দাবী অমসুং কোহিমাগী নাগা নেসনল কাউন্সিলগী অল্টিমেটম পীদুনা দিসেম্বর ৬ তগীদি ইন্দিয়াদগী তোক্লগনি হায়বসিদা মণিপুরগী অরুবা মতাং লাক্কদবা অসিগী মতাংদা মণিপুরগী মাঙদা লাক্কদবগী খুদোংথিবদগী কন্ননবা নবেম্বর ৩০, ১৯৪৭তা চীং তম অপুনবগী দলশিংগী মীটিং অমা জননেতা ইরাবতনা প্রজা সংঘগী মহুৎ শিন্দুনা কৌখি। মীটিং অদুনা চীং তমগী লৈরিবা দল পুন্নমক্কী অপুনবা ফ্রন্ট অমা শেন্নবা ৱারেপ তাখি অমসুং ফ্রন্ট অদু শেম্বদা মণিপুরগী দল পুন্নমক কৌনবা মখাগী দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা শেমখি।

১) এম কে শিমরে – তাংখুলোং, ২) মিষ্টর লুনে – কুকি নেসনল এসেমব্লি, ৩) মিষ্টর কখংগাই – কবুই এসোসিএশন, ৪) মিষ্টর তেবা – খুলমি য়ুনিয়ন, ৫) মিষ্টর জেনা – মিজো য়ুনিয়ন, ৬) শ্রীযুক্তা লমফেল – মীতৈ মরুপ, ৭) শ্রীইবোচা – মণিপুর কৃক সভা, ৮) এম ইবুঙোহল – নোংপোক অপুনবা মরুপ, ৯) ইরাবত – মণিপুর প্রজা সংঘল ১০) মুহম্মদ সুলৈ মিয়া – য়াইরিপোক।

মীটিং অদুগী অনিশুবা ৱারেপ্তা ইরাবত অমসুং মিষ্টর লুনে অনিনা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী লুচিংবশিং উন্নদুনা শান্তিগী ৱারী শানবা মশানা চৎকে হায়বদু সভানা য়াখি। অসুন্না ইরাবত অমসুং মিষ্টর লুনে অনীনা কোহিমাদা চত্তুনা ফিজোগা উন্নদুনা শান্তিগী ৱারী শানখি।

কুমজা ২০০১দা অন্দরগ্রাউন্দ এন এস সী এন (আই এম) না মণিপুরদা পুরকখিবা অরুবা সমস্যা অমসুং মদুনা থোকহনখিবা ইতিহাসিক থৌদোকশিং অদুনা চহী ৫০গী মমাংদা কুমজা ১৯৪৭তা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী অলটিমেটম অমসুং মণিপুরগী মাও, মদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু নাকোং শাহনখিবা থৌদোক অনিসি কয়া নক্না মরী লৈনরিবা অমসুং মান্নরিবনো। কুমজা ১৯৪৭তা থোরকখিবা ভুট অদুনা অনৌবা শায়োন লৌদুনা ঙসিসু মণিপুরগী ইতিহাসতা তম্নরি। কুমজা ১৯৪৭তা জননেতা ইরাবতনা লৌখিবা মণিপুরগী রাজনিতিগী শক্তম অমসুং নাগা লালহৌগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ অদু অচুম্বনি হায়বদা ইতিহাসনা হেন্না ময়েক লাহল্লে।

জননেতা ইরাবতনা নাগা লালহৌগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অমদি নি.মি. মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল শুপ্পা ফম্বা সভাগী ৱারেপ অমসুং অনৌবা ১২, ১৯৪৭তা ফোঙখিবা মণিপুর প্রজা সংঘগগী ষ্টেটমেন্টকী মতুংইন্না নাগা হিল অমসুং ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াওগদবনি হায়না লেপখি।

নি.মি. মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল শুপ্পা ফম্বা সভাগী ৱারেপ, জননেতা ইরাবতনা প্রষ্টাব তৌদুনা কছার জিলা কৃষক সভানা দাবী তৌখিবা অমসুং আই এন সীগী সী দল্লিয়ু সীনা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নবা থৌরাংগী মায়োক্তা প্রতিবাদ সভা শিনখিবদুনা তাক্লে মদুদি ইরাবতনা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী মনুংদা ব্যক্তি স্বাধিনতা লৈবা মাগী শিক্ষা, সংস্কৃতি, অর্থনৈতিক, রাজনিতিকনচিংবা চাওখৎনবা হোৎনজবা ঙম্বা মপুং ফাবা রাজ্য ওইনা লৈহন্নিংখি।

নাগা নেসনল কাউন্সিলনা মণিপুরগী মাও, তাঙ্খুলগী লম নাগা হিলগী মনুং চন্নবা দাবী তৌরিবা অদু ইরাবতনা য়াখিদে। চীং তম পুন্না লৈমিন্নদুনা ইন্দিয়াগী অতৈ জাতিশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনগদবনি হায়রম্মী। মীশিং য়াম্বা অমসুং য়ামদবা জাৎ খুদিংনা মাগী মাগী ফংফম থোকপা শরুক ফংদুনা ৱাত্ত পাদবা নুংঙাইবনা থনবা মণিপুর সনা লৈপাক শেম্বা হায়বসি জননেতা ইরাবতনা পাল্লম্মী। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২০

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

... কোকনুংগী মপান্দা য়েকথোক-য়েকশিন তৌনবা য়াবা হায়বদি 'য়েক' ওইনা লৌনরিবশিং অদুবুনি 'য়েক্নবা' হায়না কৌনগদৌরিবসি। মখোয়শিং অসিবুনি 'মীওইবগী য়েক্নবা' হায়না কৌনগদৌরিবসি। মী হাৎপা, মচিন থীবা/ওইদবা ঙাঙবা, হুরানবা, দ্রগ অমদি তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোনবা, য়ু শুংবা, য়ু য়োনবা, গঞ্জা থাবা, গঞ্জা য়োনবা, হুরানবা, মীয়ামগী ওইজগদবা অমদি ফংজগদবা মরল-মথুম, চেঙ-হৱাই, থাও-থুম, য়েনসাং-য়েনলম অসিনচিংবশিংবু মৎলগা হিংলিবশিং লোয়ননা মখোয়শিং অসিবু শৌগৎলিবা পুন্নমকশিং অসি মীওইবগী য়েক্নবা ঙাক্তনি, মীয়ামগী য়েক্নবা ঙাক্তনি।

ইনিংথৌ-খাংখিনপা (খাগেম্বা) মহাক্কী লৈঙাক মতুং তাথরকপা মতমদগী হৌনা হায়রিবা শাফুন (শাফু) অমদি 'মীওইবগী য়েক্নবা' হায়রিবা অনী অসিনা মৈনাই ৱাই তাংনাই শমথরকপদগী ইপা-ইপুশিংগী চৎনবী-কাঙলোন ওইবশিংবু মপূং ফানা পকচদবা, অশম্বীদা পকচদবা লোয়ননা ৱাশি (লাংশিন) য়াওদবা লৈঙাক্লোই (লেজিসলেচর) নি অমদি লৈঙাক্লোনশিংবু খঙলবনি হৈরবনি (রাজনিতিৱালানি) হায়রিবশিং অসিনা ঙসিগী মীরোল অসিদা লৈপাক ঙাকপগী মিংদা অমদি লৈপাক নুংশিবগী মিংদা মথক্তা পঞ্জখিবা ফত্তবা ময়ামশিং অসিবু পাঙথোক্তুনা অমদি ফত্তবশিং অসিগা লোয়নদুনা মহাক্কী চাবা, চেন-চোংলিবশিং অদুগা হুরানমিন্নবা, লল্লোনমিন্নবা অসিনচিংবা অসি পাঙথোকমিন্নদুনা ইলৈপাক অসিবু কাং খোং (কাং খোন) চাইরবা ফীভম অমদা থম্বা, অদুগুম্বা 'শা মরক, ঙা মরক' ওইবা মীশক ওইবশিং অদুগী লৈঙাক অদুগা খাংখিনপা (খাগেম্বা) মতমগী লৈঙাক অদুগা চাংয়েংনবা য়াবা নত্তে।

ইনিংথৌ ওইনা লৈঙাক্লকপনা খাংখিনপা (খাগেম্বা) মহাক্কী থংওইনুংগী (থম্মোয়নুংগী ) ঈনা কাংলক্লিবা অদুগা থানরগা কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) নীংলকপা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংবু মহাক্কী শাগোন্নবশিং হায়বদি মহাক্কী অঙম-অথৌশিং, য়াইতোং-খনতোংপাশিং, ফম্নাই-তুনাইপাশিং হায়রিবশিং অসিদা থৌদারকপনা মরম ওইদুনা অদুগুম্বা ইনিংথৌগী শাগোন্নবশিং অদু ইনিংথৌগী ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন মতুংইনবা লমচৎ চৎলকই হায়বদি লমচৎ নাইরকই অদুগা ইনিংথৌগী শাগোন্নবশিং অদুনা চৎলক্লিবা/নাইরক্লিবা লমচৎ অদুগী মতুংইন্না মীয়াম (মীয়াই) ওইবশিং অদুনা শাচৎ (শাজৎ) চৎলকই হায়বদি শাচৎ (শাজৎ) নাইরকই।

কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) লৈরিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুগী থান্নফম অমদি ঙান্নফম ওইবা থংওই (থম্মোয়) য়ৌনা লাক্কদবা লমপীদা (লম) হায়রিবা খোনগী মাইলোন ওইবশিং অদুনা চৎলকপা (চৎ) অদুবুনি লমচৎ হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু, হায়রিবা 'লমচৎ' অদুগী মতুংইন্না তাইপক শা হনচাং (তাইবঙ শা হকচাং) ওইবনা (শা) পুনশিন পন্থুং (পুন্সি-পন্থুং) য়ৌনা লাক্কদবা লমপীদা চৎলকপা (চৎ) অদুবুনা 'শাচৎ' হায়না কৌনবনি। মথক্কী ৱাখল্লোন অসিগী মতুংইন্না হায়জবা তারবদা - মী মহাক অদুগী মকোক মনুংগী কাংচিন (কাচিন) অদুদা তুংদুনা লৈরিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিং অদুনা লৈঙাক্লোই ওইরিবশিং অদুবু মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি হায়বদি রিপ্রজেন্ট তৌই, অদুগা হায়রিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অনীগী থান্নফম অমদি ঙান্নফম ওইরিবা থংওই (থম্মোয়) অদুবুনা লৈঙাক্লোই অদুগী শাগোন্নবশিং অদুবু মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি লোয়ননা হায়রিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন অদুনা থংওই (থম্মোয়) মাগা থানরকপগা লোয়ননা থংওইগী (থম্মোয়গী) ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না থবক থৌরম অমদি শিনলম-শিন্থা ওইবশিংবু পাঙথোক্লিবা তাইপক শা হনচাং (তাইবঙ শা হকচাং) ওইবশিংনা লৈপাক মীয়াই (লৈবাক মীয়াম) ওইববু মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি।

মী হায়বদুগী মকোক, থংওই (থম্মোয়) অমদি হনচাং (হকচাং) অহুম অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা, তৎন-থানবা য়াদবা অমদি চান্ন-চিন্নবা অদুগুম লৈঙাক্লোই, মহাক্কী শাগোন্নবশিং অমদি লৈপাক মীয়াই (লৈবাক মীয়াম)হায়রিবা অহুম অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা, তৎন-থানবা য়াদবা অমদি চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা অমদি মহৌশা ওইনগদবনি। হায়রিবা অহুম অসিনা অমগা অমগা চান্ন-চিন্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকপা অদুবুনি 'পু অহুম' চান্নবা (পু আহুন চাননাইপা) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

থংওইনুংগী (থম্মোয়নুংগী) ঈনা কাংলক্লিবা অদুগা মায়ওক্লনা পুরিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংবু (পু) 'আ' হায়না কৌনবা কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) ওইবা অদুদগী (আ) লুমথরকপা নাইনা হুনথরক্লিবা অদুগা (হন্) তাইপক শা হনচাং (তাইবঙ শা হকচাং) ওইবা অদুগা চান্নবা (চান) নাইদুনা (নাই) লৈরকপা (পা) অদুবুনি 'পু আহুন চান্নাইপা' (পু অহুম চান্নবা) হায়না কৌনগদৌরিবনি। অসুম্না 'পু আহুন চান্নাইপা' (পু অহুম চান্নবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি। (মথং-মথং) ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।